# ইশানা ইশাবু থাজবা থমসি

রাজনিতিৱালাশিং অসি মশানা ঙাংবা ৱা অদু কৈদৌনুংদশু মশানা থাজবা ঙমজদে, মরম অসিনা কনাগুম্বশিংনা মখোয়গী ৱাফমশিংবু য়াম্না লূম্না অমসুং লুনা লৌবা উরবদি অঙকপা পোকচে হায়নৈ। তৌবগীসু, রাজনিতি হায়বসিনা শক্তি পায়বা ফংনবা হোৎনবগী শিনফম অমা ওইরম্বা মরম্না রাজনিতিৱালা পুম্নমক্না অদুগুম্বা শক্তি অদু পায়দ্রিঙৈ অমসুং পায়রবা মতুং অনিমক্তা ওইদ-পাদবা ৱাফম কয়া ঙাংব-শকপা হায়বসি মশানা তাবনি। শক্তি পায়রবা মতুংদদি চুম্নগী নত্ত-ওইদবা কয়া ঙাংবতা নত্তনা গভর্নমেন্টকি মেছিন্নরিশিংবু অরানবা মওংদা শীজিন্নদুনা মশানা পায়রিবা শক্তি অদু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনৈ। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি ইন্দিয়াদা নীংতম্বা ফংলবা মতুংদা শেমখিবা ফ্রিদম ফাইটরশিংগী সরকারগী মতম অদুদদি উবা ফংনখিদে, স্বরাজ অমসুং ইরৈপাক্কী ৱাখল অমনা মতম অদুগী রাজনিতিৱালাশিংবু লমজিংখিবা ঙাক্তনি। অদুবু মীওইবা হায়বসি মনীং তম্না শক্তি পায়দুনা হিংলকপা মতম কুইশিল্লক্লবদি থবক খুদিংমক্তা মশাগী স্বার্থনা য়ুম্ফম ওইবা শেঞ্জা-থুমজা অমসুং ওথোরিটরিয়ানগী মমি অমা তারক্তবা নত্তে। মসিবু ফজবী লোন্দাদা 'পাৱার ইজ করপ্ট' হায়না খঙনরি। নিংথৌ পাল্লিঙৈদা নীংবগা তৌবগা চপ মান্নবা মতীক-মগুন চেনবা লৈমাবশিংনা অপাম্বা খুদীংমক মনীং তম্না তৌখিবা পুম্নমক অদুসু করপ্ট ওইরবা পাৱর হায়বসিগী ময়েক লারবা খুদমনি। গনতন্ত্র চৎনরে হায়দুনসু অসিগুম্বা এন্টি-পিপল ওইবা নিংথৌশিংগী শাজৎ অসি মীওইবনা খক থাদোকপা ঙম্নদে। অকনবা আইন কয়া শেমদুনা থল্লবশু শক্তি অমসুং রাজনিতিনা আইন অমদি মদুবু চৎনহল্লিবা ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংবু খুৎলাই ওইনা শীজিন্নরগা তোকই। লাইবক থীবদি অসিগুম্বা, নাকোইনবা মওং অমদা শক্তি লান্না শীজিন্নবগী হৈনবী অসিনা দেমোক্রেসিবু গ্রাসরুট লেভেলদগী হৌনা মপাল-মরা ফনা চাওখৎহন্নবগীদমক্তা লিংলিবা পঞ্চায়ট রাজগী সিষ্টেম অসি য়ৌনা তমথিরবা কেন্সরগী মহীক্লুম্বা চাশিল্লকপা অসিনি। মসিনদি ইন্দিয়ান দেমোক্রেশিনা চাওখৎলকপগী ৱাফম লৈতে। এমএলএ, মিনিষ্টরশিংনা চহী মঙাগী টার্ম অমগী মনুংদা ক্রোড়পতি ওইবা ঙম্বগুম গ্রাম পঞ্চায়টকি মেম্বর, প্রধান, অমসুং জিলা পরিষদকী অধক্ষ অসিনচিংবা কয়াসু সেন্টরনা হকথেংননা থাদরকপা চাওখৎ-থৌরাংগী ফন্দ পুম্নমক্তা তাইনদুনা ক্রোড়পতি ওইহৌনবা হোৎনরকপা তারবদি খুন্নাই অসিদা লায়রবা অমসুং ইনাকখুনবা অনিগী অচৌবা চেকপল অমা খাগৎলক্তুনা ইকুই কুইদনা অচৌবা ৱাথোক কয়ামরুম থোক্লক্কনি।

ঙসি লৈবাক অসিনা মায়োক্নরিবা সমস্যা অসি চিনগা খুৎকা মান্নদবা, ফিদমদগী মীশক্লা হেন্না লুবা অসিনি। এডুকেসন্না অফবা ৱাখল খনবা, মরৈপাক-মজাতিবু নুংশিবা অমসুং মীওইবগী মিনুংশি চেনবা মপুঙ-মরৈ ফারবা মীওই পুথোকই হায়নৈ। অদুবু লৈবাক অসিগী লাইরিক-লাইশু হৈরবা রাজনিতিৱালাশিং, এমএলএ, মিনিষ্টর, মেম্বর, প্রধান অমসুং অধক্ষ নত্রগা উপ-অধ্যক্ষনচিংবশিং অসিনা চৎলিবা শাজৎ-লীচৎ অসি য়েংলুরবদি মখোয় পুম্নমক লৌশিংগী মঙাল ফংলবা অৱাংবা থাক্কি মীওইনি হায়নীংঙাই লৈতে। মখুৎতা নোংমৈগী শক্তি পায়দুনা মীয়ামদগী শেল মুল্লিবা দাকু খুৎপুশিং, শুব-নোম্বা তনবদগী মীগী মপোৎ-মচৈ হুরান-চীঙ্গি তৌরিবা ক্রিমিনেল মচা-মগুশিং অমসুং নুংথিল পোবোপ্তা লম্বী-সড়ক্তা গাড়ী হুরাল্লম্বগী, নত্রগা সাইকল হুরানবগীদমক্তা ফাদুনা মীয়ামনা খোঙ্গোইনরিবা মীওইশিং অসিগা শক্তিৱালা-রাজনিতিৱালাশিংগা করিসু খেন্নবা লৈরক্ত্রে। খরদং পুক্নীং থৌগৎনীংঙাই ওইরিবা হায়ববু দেমোক্রেশিগী পার্লিয়ামেন্টরি সিষ্টেমগী খুথাংদা অসিগুম্বা গভর্নমেন্ট মনুংদা লৈরিবা রাজনিতিগী মায়খুম উপ্পা ক্রিমিনেল ইলিমেন্টশিং অসি তপ্না তপ্না মাঙহনখিনবা হোৎনরকপগুম্বা অমা উবা ফংলকপা অসিনি। অদুবু লৈবাক অসিগী খুন্নাইগী লৈঙাক্লোন, মীয়ামগী পুন্সি মরেল অমসুং কয়াৎ পুম্নমক্তা নারিবা পোলিটিকেল করপসনগী লায়না অসিদি মাইবনা খুৎ থারবা খাঙেনফম য়ৌরবা অনাবগুম্না উবা ফংনরি। হৌজিক য়াম্নমক থম্মোয় শোক্নীংঙাই ওইরিবদি ইন্দিয়া এগেনষ্ট করপসনগী সোসিয়েল এক্তিভিষ্ট অন্না হাজারে ফাওবদা জন্টর-মন্তরদা চরা হেনবা তোকথোক্তুনা পোলিটিকেল করপসনবু রাজনিতিগী ওইবা পাম্বৈ অমনা থেংননবা ৱারেপ লৌরকপা অসিনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি হুরানবা ঙাক্তনা খুল্লিংদুনা পানবা লৈবাক্তা সাধু অমনা হুরানবা তোকহন্নবগীদমক্তা হুরানবগী শক্লোন লৌরকপগুম্বনি। লৈবাক অসিগী মীয়াম্না হিংগদবা অসি ফনা লুরি, লৈবাক্কী লুচিংবশিংনা খুবাক ময়াইদা শগুন তৌদুনা মীয়ামগী চাকখাউ থদৎনবা হোৎনরকপদা মহৈ মহৈ তুমিন্না য়েংদুনা লৈরি।